**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-03-2026)**

**য়াওশঙ (এল)ঃ** মণিপুরদা নুমিৎ ৫ নি চুপা চথ্থগদবা য়াওশঙ কুম্হৈ মহৌশাদগী চৎনরকপা অমদি হ্ৱাউ তয়াম্বগা লোয়ননা ঙসিদগী হৌরে।

লৈকাই লৈকাইদা য়াওশঙ মৈ থাবা, অঙাংশিংনা য়ুমথোং য়ুমথোংদা চংদুনা নাকথেং নিবা, হোলি পালা শকপা, নুমিদাংগী মতমদা থাবল চোংবনচিংবনা কুম্হৈ অসিগী মপুং ওইবা শক্তমি।

য়াওশঙ কুম্হৈগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা য়াওশঙ স্পোর্টস মিটসু পাঙথোকবা শিল্লি। মসিগীদমক ঐতিহাসিক ওইরবা শেংলবা ইম্ফালগী কংলানচিংবা মফমদগী মৈরা লৌবা লাকরি।

কুম্হৈ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভল্লা অমদি মুখ্য মন্ত্রি য়ুম াম খেমচান্দ সিংহ, মণিপুর বিধান সভা সদস্যা কে.রোবিন্দ্রো সিংহ, শিবা সেনা মনিপুর প্রদেস য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন(অমজ) নসু চহী খুদিংগী পাঙথোকপগুম জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিট পাঙথোক্লি।

**লোশি (এল)ঃ** উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিগোনা হায়রি-শান্ন খোৎনবদা জাৎ বিজাৎ খায়দবগুম লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ ফুরুপ খুদিংমকা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নদুনা লমদম অসি তংদু লৈতাবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাংখৈ কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা সিটিজন ক্লবতা পাঙথোকপা য়াউশং স্পোর্টস মিট হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারুদুনা শ্রী দিখোনা হায়-মনিপুর অসি অপিকপা রাজ্য অমা ওইজরবসু শান্ন খোৎনবগী

লমদা থৱায় য়াওবতা নত্তনা অফবা শান্নরোই কয়া পুথোকপা ঙম্বা লমদম অমা ওইরি।

শ্রী দিখোনা হায়-রাজ্য অসিগী ইনাক খুল্লবা কালা অমসুং সংস্কৃত্তি অমদি শান্নরোইশিংনা মনিপুরবু মালেমদা শক তাক্লি।

**নরি শক্তি (এল)ঃ** সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্ম্যুনিকেসন্স ফিল্ড ওফিস-তমেংলোং অমসুং সি.বি.সি. আর.ও. ইম্ফালনা শিনদুনা নারি শক্তি এন্দ ভিক্সিত ভারত এদ দ রেট-২০৪৭ হায়বসিদা স্পিসিএল আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা ঙসি তমেংলোং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা লৈবা খৃষ্টান গ্রামমার স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল তমেংলোংগী সেনিয়ার মেদিকেল ওফিসার-ডা: নমজবৌ অমসুং এদভোকেট-দনিয়েল কৈশামনা রিছোর্স পার্সন ওইনা নারি শক্তি অমসুং ভিক্সিত ভারত এদ দা রেট-২০৪৭ গী মতাংদা শক দাকনা তাক্লদুনা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**বোদি(এল)ঃ** ইম্ফালগী থঙ্গাল বজারগী বোড়া গালিদা ঙসি অয়ুক নুপা অমা গ্যান তাদনা লৈরম্বা থেংনরে। সিটি পুলিসকী কাংবু অমনা নুপা অদু ইম্ফালগী রিমস হোস্পিতালদা পুখৎখি। অদুমওইনমক, দাক্তরনা মহাক শিরে হায়না ফোংদোরকখি। নুপা অদু চহি ৩৮ লোম শুরে। ফুট মঙা ইঞ্চি ৫ ৱাংই, কুলৈ কুচুনি। পুলিসনা কেস অমা রেজিস্তার তৌখ্রে।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মনিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা মীতৈ, নাগা, কুকি অমসুং মীতৈ পাঙল নহাশিং পুন্না শরুক য়াবা নেসনেল ইন্টিগ্রেসন টুর, মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা ঙসি লমথাখ্রে।

রাজ্য অসিদা খুন্দামিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ খুদিংমক্কী অহল ওইরিবশিংনা নুংঙাইনদবা অমদি পেন্দবা পুমমক কাউথোকদুনা ঙাকপী হৈবগী

ৱাখল্লোন থমদুনা তুংগী মীরোলশিংগীদমক খনবা মতম ওইরে হায়না মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি।

আই.জি.এ.আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা কৈথেলমানবীদা লৈবা অসাম রাইফলসকী ৯ শুবা সেক্তরনা শিনদুনা মনিপুরদা অমত্তা ওইবগী শক্তম অমা পুরকবা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা শিল্লিবা নেসনেল ইর্ন্টিগ্রেসন টুর অদু কৈথেলমানবী গেরিসনদগী লমথারদুনা শ্রী খেমচান্দনা হায়-অসাম রাইফলসকী মীৎয়েং মখাদা শিল্লিবা নেসনেল ইন্টগ্রেসন টুর অসি মনিপুরগী অমত্তা ওইবা অপুনবগী শক্তম পুরকপা খোঙচৎ অমনি। টুর অসিনা মনিপুর অমত্তা ওইনা পুনশিনবা হায়বদু ওইরে। রাজ্য অসিদা থোকখিবা ইরাং অদুদা অসাম রাইফলসনা য়ামা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা অৱাবা তারবা মীতৈ অমদি কুকি ফুরুপকী মীচম মীয়ামবু শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকপগী থবক তৌখিবা অদু থাগৎনিংঙাইনিংঙাইনি। অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী নহাশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী থৌরাং অমা লৌরিবা অসি য়ামা হেন্না থাগৎনিংঙাইনি।

তুংদা, নেসনেল ইর্ন্টিগ্রেসন টুর অদুদা শরুক য়ারিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী নহাশিংদা খুদোল তমদুনা খোঙচৎ অদু মায় পাকপা অমা ওইনবগী পাউজেলসু মুখ্য মন্ত্রিনা পীখি।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি) গী প্রসিদেন্ট-ওক্রম ইবোবী সিংহনা মীওই মরি নৌনা জেনরেল সেক্রেটরিগী ফম পুনবা খনখ্রে।

মখোয় অদুদি-ডা: এস. মনাউতোন সিংহ, এস. জিতেন সিংহ, অমির হুসেন অমসুং ঐচ. মেঘাচন্দ্র মঙাংচানি। মখোয়না মথংশিৎনা মেদিয়া, ইলেক্সন, ওর্গনাইজেসন অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসন এন্দ প্রোটোকোলগী থৌ পুগনি।

**ডে(এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মালেমগী অইবশিংগী নুমিৎ থৌরম খোরিরোল শঙলেন ৱাংজিংদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

খোরিরোল শন্দোকলপ-ৱাংজিং, মনিপুরি সাহিত্য পরিষদ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট (মসা) অমসুং নিংঙোল খুৎ মনিপুর ৱাংজিংনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অইবশিংনা খুন্নাইদা লৌরিবা থৌদাং হায়বা হীরমদা খন্ন-নৈনবা অমসুং শৈরেং শৈদিন্নবনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

**চান্দেল(এল)ঃ** ত্রাইবেল কাংলুপকী লৌমীশিংবু হেন্না পুকিং থৌগৎনবগী পান দমদা ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র-চান্দেলনা দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি দিপার্টমেন্ট চান্দেলগা খুৎশমরগা নোংমগী ওইবা শা-ষন লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা চান্দেল খৃষ্টান ভিলেজতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

শা-ষনশিংবু অনৌবা মখলগী টেকোলোজি শিজিন্নদুনা মতৌ করমা লোয়গদগে হায়বগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা লৌমীশিংদা নীংথিনা তাকপী তম্বীখি। কেম্প অদুদা লৌমী ৩৬ না শরুক য়াখি।

**কোচিং(এল)ঃ** ইস্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকাইদা লৈবা স্তার ৱিমেন এসোসিয়েসননা শিনদুনা শোখহৌরবা অমদি সিঙ্গল পেরেন্টশিংগী মচাশিংগী ক্লাস সিক্সতগী টেন ফাওবগী মহৈরোইশিংগী ওইবা কোচিং ক্লাসশিং লেমা পাঙথোক্কনি।

কোচিং ক্লাস অদু থা অসিগী ১২ দগী হৌগনি। মতম নুংথিল পুং মরিদগী তরুক ফাওবনি। অকুপ্পা মরোল স্তার ৱিমেন এসোসিয়েসনদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

**ৱার্কশোপঃ** অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইবা দিজাস্তর রিজিলিয়েন্ট হোস্পিতালসকী অহানবা রিজনেল ৱার্কশোপ গুৱাহাতিদা লৈবা ওল ইন্দিয়া

ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসতা পাঙথোকখ্রে। লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক লমদমগী রাজ্যশিংদা লৈরিবা হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবা ইন্সটিট্যুসনশিংদা মহৌশাগী ওইবা অমাং অতা থোকহল্লকপদগী ঙাকথোকবা অমদি মাংজোননা শেম শাহৌনবগী পান্দমদা ৱার্কশোপ অদু পাঙথোকপনি। নুমিৎ নিনিগী ওইবা থৌরম অসিদা নোংচুপ বঙ্গলা, উরিষা অমসুং নোর্থ ইষ্টর্ণ ইন্দিরা গান্ধি রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ হেলথ এন্দ মেদিকেল সাইন্সেস শিল্লোংগী য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্য পুমমক্কী মীহুৎশিং শরুক য়ারি।

**ডে ঃ** মালেম পুমবদা ঙসি ৱাইল্ড লাইফ নুমিৎ পালন তৌরি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী থিমদি-'হিদাক ওইনা শিজিন্নবা য়াবা পান্বীশিং-হকশেল, হেরিটেজ অমসুং লাইফলিহুড ঙাকশেনবা' হায়বসিনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লমলক্কী শা-উচেকশিংবু ঙাক শেন্দুনা থমবা সরকারগী ফিরেপ অদু অমুক্কা হেন্না চেৎশিলহনখ্রে। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী মোদিনা হায়-মালেমগী ওইবা পালন অসিনা মালেম অসিগী প্রকিতি অমদি ইকো সিষ্টেমগী ইনাক খুনবদু উৎলি। মহাকা হায়-মসিনা লমলক্কী শা উচেক ঙাক শেনবগী থবক তৌরিবা মীওই খুদিংমক্কী মফমদসু তৌবীমল খঙবা উৎলি।

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পীবা পাউজেলদা হায়-মনিপুরগুম্বা বাইও দাহভরসিতিগী লমদা ইনাক খুল্লবা রাজ্য অসিদদি ঐখোয়গী উমং, চীং অমসুং ৱেদলেন্দশিং অসি মীওই কয়াগী জিবিকা ওইরিবা অমসুং ঐখোয়গী লীরবা নাৎকী ওইবা গ্যান লৌশিংবু য়োকখৎলিবা লননি। মহাকা হায়-অসিগুম্বা নুমিৎ অসিদা ঐখোয়না ঐখোয়গী ইনাক খুল্লবা বাইও দাইভরসিতি অমসুং লমলক্কী শা-উচেকশিং অসিবু ঙাক শেন্দুনা থমবা পুন্না ৱারেপ লৌমীন্নরসি।

শ্রী খেমচান্দনা হায়-মীওইবগী নুংঙাই য়াইফবা হায়বসি অফবা ইকো

সিষ্টেমগা অচেৎপা মরী লৈনৈ। মীপুম খুদিংমকা হয়েংগীদমক খল্লগা ঐখোয়গী মালেম অসিবু অশঙ অমান্না থল্লবা লৈবদা নুংঙাহ্‌বা মফম অমা ওইহল্লসি হায়নসু মহাকা মখা তারি।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনসু মীয়ামদা লম্লক্কী শা উচেকশিংবু ঙাকশেনবীনবা মীয়ামদা আপিল তৌরি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী য়ু ট্যুব সবস্ক্রাইবর মশিং কোতি অহুম য়ৌদুনা শিংথানিংঙাই ওইবা মফম ফংলে অমসুং প্লেটফোর্ম অসিদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী মীশিং য়ামা ফোলোৱর লৈবা লুচিংবা ওইরে।

শ্রী মোদিনা ২০০৭ তা য়ু ট্যুবতা য়াওকখি। কেটেগোরি অসিদা মহাক্কী রেঙ্কিং শিংথানিংঙাই ওইনা মাংজিল থারি। ব্রাজিলগী হান্নগী রাস্ত্রপতি-জয়ার বোলসোনারানা সবস্ক্রাইবর লাখ ৬০ হেন্না লৈদুনা অনিশুবা পোজিসনদা লৈরি। শ্রী মোদিগী সবস্ক্রাইবর মশিং অসি আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্পকা য়েংন্নবদা শরুক তরেৎ হেল্লি।

**লান ঃ** ইরান অমসুং অপুনবা ইজরেল অমদি য়ু.এস. ফোর্সশিংনা মীসাইল অমসুং দ্রোন এট্টেক নৌনা চথরকপদগী নোংচুপ এসিয়াগী ইরাং হেন্না কনশিল্লে।

খ্বাইদগী নৌনা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ইজরেলনা তেহরান অমসুং বৈরুটকী মিলিটরিগী লান্মী লৈফমশিংদা মতম অমত্তদা লান্দাখি। ইজরেল দিফেন্স ফোর্স (আই.দি.এফ) কী পাউনা হায়-হৌজিক মসিগী লান্মীশিংনা খা থংবা লেবানন্দ অমসুং অতৈ মরুওইবা শিমানা পরিংশিংদা মতম অমদা হেক্তা লান্দাবা য়ানবা শেম শাদুনা লৈ।

ইজরেলনা হৌজিক মখা তানা হেজবোলাগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংদা অতৎ অখম লৈতানা লান্দারি। আই.দি.এফকী পাউনা হায়-পেলেসতিনিয়ান ইস্লামিক

জিহাদকী কম্মান্দর-অবু খমজা রামি হজরেলনা লান্দাবনা মরম ওইদুনা বৈরুটতা শিরে হায়বদু চপ চানা খঙলে।

**রক্সাঃ** কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়র্স অমসুং স্পোর্টস রাজ্য মন্ত্রি রক্সা নিখিল খরসেনা এচিভিং স্পোর্টস মাইলসতোন বাই ইন্সপাইরিং ৱিমেন থ্রু এক্সন(অসমিতা) লিগকী অখন্নবা এদিসন অমা নিউ দেল্লিদা লাউথোকখ্রে। মসি থা অসিগী ৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী নুপীগী নুমিৎকা মরী লৈননা শিনবনি।

পাউগী মীফম অমদা মন্ত্রিনা হায়-থৌওং অসিনা লৈবাক অসিগী নুপী শান্নরোইশিংদা গ্রাস রুট লেভেলদা চাংদমনবগী প্লেটফোর্ম অমা ফংহল্লগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লাক্লিবা চহী খরা অসিদা শান্ন-খোৎনবা অমদি সংস্কৃতিগী লমদা ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবগী মীৎয়েংগী মখাদা লিগ অসি পাঙথোক্কদবনি। মসিগী মখাদা চহী ১৩ গী মখা, চহী ১৩ দগী ১৮ ফাওবা অমসুং চহী ১৮গী মথক্কী নুপীমচাশিংগী ওইবা শান্ন-খোৎনবগী কম্পিতিসনশিং শিনগনি। মসিগী মনুংদা, মিতর ১০০, মিতর ২০০ অমসুং মিতর ৪০০ গী লমজেলনচিংবা এথলেতিক ইভেন্টশিং য়াওরি।

**ফুটবোল ঃ** কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসননা ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগা খুৎশমনা শিনদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা চহি ১৭ মখাগী নুপাগী ১৪ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফি-২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-এমইস টিম (বি) না সুক টিম (এ) বু পাঞ্জল ৩-২ দা , আই.ডব্লিয়ু.দি.এফ.এফ. টিম (এ) না দি.এফ.এ. মোইরাং টিম (বি) বু পাঞ্জল ৪-৩ দা অমসুং থৌবাল দি.এফ.এ. টিম (এ) না অমফা (রেড) টিম (বি) বু পাঞ্জল ২-১ দ থোইখি।

**সেলেক্সন ঃ** ১৬ শুবা হোকি ইন্দিয়া সব জ়নিয়ার মেন এন্দ ৱিমেন নেসনেল

চেম্পিয়নসিপ অমসুং ১৬ শুবা হোকি ইন্দিয়া জ্নিয়ার নেসনেল ৱিমেন চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ তা শরুক য়ানবগীদমক মনিপুর টিম শেমবা নুমিৎ তরেৎনিগী ওইবা কোচিং কম ওপন সেলেক্সন ট্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি হায়না মনিপুর হোকিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থা অসিগী ১১ গী অয়ুক পুং ৮ মখায়দগী হৌদুনা খুম্মন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা কোচিং কম সেলেক্সন ট্রাইয়েল অসিদা মনিপুর হোকিদা রেজিস্তার তৌরবা শান্নরোই অমদি হোকি ইন্দিয়াগী আই.দি. পায়বা শান্নরোইশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। হোকি ইন্দিয়াদা ইনরোল তৌদ্রিবা শান্নরোইশিংনা মরী লৈনবা চে-চাংশিং মনিপুর হোকিদা পীশিল্লকপা য়াগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।